# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্লগনি।

২) অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোৎ থাদবগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

অমসুং

৩) এন.আই.এনা পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া নৌহৌননা হিংগৎহন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অমা ফারে।

------

নোতিফিকেসন ঃ লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্লগনি। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৯৪ গীদমক রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিদা ভোৎ থাদনগনি। মীখল য়েথোকখ্রবা মধ্য প্রদেশকী বিতুল কেন্দ্রগী নোতিফিকেসনসু ঙসি থোক্কনি। কেন্দ্র অসিগী ভোৎ অনিসুবা তাঙ্কক্তা থাদনগদবনি। অদুমওইনমক, বহুজন সমাজ পার্তিগী মীরেপ অমা লৈখিদবদগী নোতিফিকেসন মতম য়েথোকখিবনি । তাঙ্কক অসিগী মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ১৯ নি, মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ভোৎ মে অহুমদ থাদনগনি।

মরক অসিদা অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোৎ থাদবগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক মীখলগী মীতিন অমদি রোড সোশিংদা শরুক য়ারি। অহানবা তাঙ্কক্তা সিট ১০২ গীদমক রাজ্য ২১ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ দা থা অসিগী ১৯ দা ভোৎ থাদনগনি।

অহানবা তাঙ্কক্তা ভোৎ থাদনগদৌরিবা মণিপুরগী লোক সভা সিট অনিগীদমক রাজনীতি দলশিংনা মফম কয়াদা মীখলগী মীতিনশিং পাঙথোকরি। ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিট অসিগীদমক পুন্না মীরেপ ৬ না লম্বা তৌনরি। সরকার পায়রিবা বি.জে.পি অমসুং বিরোধি কংগ্রেসনা প্রেস কনফরেন্সনচিংবা পাঙথোক্কুনা অমনা অমবু হুন্নবগী থবক চত্থরি। হন্দক্কী মীখল অসিদা মরুওইবা এজেন্দা অমা ওইনা পুখৎলিবশিংগী মনুংদা হৌজিক থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং লোইশিনহনবা, এন.আর.সি রাজ্য অসিদা চৎনহনবনচিংবা য়াওরি।

আউতর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী ওইনা মীরেপ মরিনা লম্বা তৌনরি। হন্দক্কী মীখল অসিদা বি.জে.পিনা এন.দি.এগী এল্লায়েন্স পার্টনর ওইরিবা এন.পি.এফপু শৌগৎতুনা মখোয়গী মীরেপ থাদোক্ত্রে।

নাগালেন্দ ঃ বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা ঙসি নাগালেন্দা লাক্তুনা এন.দি.এগী মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়াগনি হায়রি। দলগী পাউনা হায়- চুমুকেদিমাদা লৈবা এগ্রি এক্সপোদা পাঙথোকপা বি.জে.পিগী রেল্লিদা শ্রী নদ্দা শরুক য়াগনি। বি.জে.পি নেসনেল প্রসিদেন্টকী নাগালেন্দ খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা ঙরাং দিমাপুরদা মীফম অমা পাঙথোকখে। সিট অমা লৈবা নাগালেন্দ লোক সভাগী ভোৎ অহানবা তাঙ্কক্তা থাদগনি। ইং ২০১৯ দা নেসনেল দেমোক্রেতিক প্রোগ্রেসিপ পার্তিগী মীরেপ তোকেহো য়েপথোমিনা মীখল অদুদা মায় পাকখিবনি।

ককচিং (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ককচিংগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লি। মীখলগা মরী লৈননা জিলা অসিগী সেক্তর ওফিসার, সেক্তর মেজিষ্ট্রেট ওইনা খল্লবশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্কী এন.আই.সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা ওফিসিয়েল ১৬ লোম শরুক য়াখি।

দিসি (এল)ঃ পোরোমপাৎতা লৈবা দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লগনি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীফম অসিদা পোষ্টেল বেল্লোট, ই.দি.সি, অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা, মীখলগী শেম শারিবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খন্নগনি হায়রি। মীফম অসি য়াওনবগীদমক জাতি থাক্কী অমদি রাজ্য থাক্কী রাজনীতি দলগী মীহুৎশিং, এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসারশিং, নোদেল ওফিসারশিং য়াওলনবা দি.ই.ওনা খঙহল্লক্লি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা মফম কয়াদা থি হুন্নবগী থবক চথুবা, চ্যেক পোষ্ট হাংদোকপা অমদি তঙাইফদবা চংবা পোৎলমশিং রাজ্য অসিদা পুশিল্লকবা হোৎনরি। নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং টুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং য়াওবা গাড়ি ১০৩ অমসুং ১৭৮ অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখি। চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা গাড়িশিং অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লক্লি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চ্যেক পোইন্ট ১৩০ হাংদোক্লি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী য়াঙৌপোকপী খুলদা থি হুন্নবগী থবক চথুবদা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু কে.ৱাই.কে.এলগী কাদরনি হায়রি। মঙোন্দগী শেল খরসু ফংলে। ফারবা মীওই অদু পুলিসতা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, স্কিল ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মতাংদা চুরাচান্দপুর জিলাগী হিংতম খুনৌদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে। লেকচর প্রোগ্রাম অসি নহাশিংবু ড্রগ অমদি ফত্তবা লম্বীদগী নাথৈদুনা নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি ওইনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

অসাম রাইফলসনা ঙরাং চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নেসনেল মাদরহুদ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোমলাখোং অমসুং অকোইবা খুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

মিদিয়া (এল)ঃ ফ্রি, ফিয়ার এন্দ ইথিকেল ভোতিং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা মিদিয়া এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা কৈশামপাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়ামদা ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা দি.আই.পি.আরগী দাইরেক্তর ডাঃ সি.ঐচ. চরনজিৎ সিংহ, অমজগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবম অমসুং ই.জি.এমগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াগনি হায়রি।

ময়োল(এল)ঃ মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না শিন্দুনা চথরকপা ঐখোয়গী অনৌবা লাংঙোলগী ভোট হায়বা কেম্পেইনগী মনুংচন্না ঙরাং ককৱা লমদাইবুংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লাক্লদৌরিবা মীখল অসি কাংলোন চুমা পাঙথোকবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ৬ লৌখি।

তুংদা, অসিগুম্বা মীফম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উচিৱাদসু পাঙথোকখি।

মৈ (এল)ঃ পল্লেলদা লৈবা আইমোল তাবা লম্বীদা লৈবা সো মিল অমা মৈনা তুমা চাকখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২ মিনিত ৪০ তাবা অদৱাইদা থোকখিবনি। মৈ অদু করমা হৌরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

ডে (এল)ঃ লোয়ালম পাব্লিক লাইব্রেরি লিংখৎখিবা অনিসুবা কুমওন থৌরম ঙরাং ৱাংজিং হোদাম্বা ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শৈরেং

শৈদিন্নবনচিংবা পাঙথোকখি।

এনআইএ ঃ  নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি.এল.এফ.আই) নৌহৌননা হিংগৎহন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অমা ফারে। এন.আই.এনা ঝারখন্দ অমসুং অসামগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা রাজ্য পুলিসশিংগা লোয়ননা থি হুন্বগী থবক চথুবদা মীওই অদু ফাখিবনি। ফারবা মীওই অসি পি.এল.এফ.আইদগী খাইদোক্লুবা নক্সলাইট গ্রুপ অমগী মীওইনি। মহাক ঝারখন্দদা পি.এল.এফ.আইগী কেস মরিদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি। মঙোনদগী এন.আই.এনা লুপ অসিগী মরুওইবা চে চাং কয়ামরুম, ৱাঙ্কি টৌঙ্কি অনি, মোবাইল ফোন ৫, সিম কার্দ অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশিং ১১ ফাগৎপা ঙমলে হায়রি। কেস অসিগা মরী লৈননা মমাংদা মীওই অনি খুৎলাই অমসুং লুপা লাখ ৩ গা লোয়ননা ফাগৎপা ঙমখ্রবনি। মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বি.জে.পি সরকারনা উত্তরাখন্দগী ইমুং চাদা ৯০ রোমদা তোতি ঈশিং ফংহনখ্রে। রিসিকেসতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা লান্মীশিংগী ওইনা ৱান রেঙ্ক, ৱান পেন্সন স্কিম হৌদোক্লে। মহাকা হায়- কেন্দ্রদা পাল্লিবা বি.জে.পি সরকারনা লান্মীশিংদা ভারত্তা শাজবা বুল্লেটপ্রুফ জেকেট পীদুনা মপুন্সি কয়ামরুম কল্লি। শ্রী মোদিনা হায়- ঙসিদি লৈবাক অসিনা অনৌবা খুৎলায়দগী হৌরগা ফাইতর প্লেন অমসুং এয়ারক্রাফট কেরিয়র ফাওবা শাজরে। মহাকা হায়- সরকারন অসিনা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা খুঙ্গংশিং চাওখৎহল্লি।

রাজস্থানগী করোলিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা হায়- ইং ২০২৪ গী লোক সভা মীখল অসি বিক্সিত ভারত

কেম্পেনদা অনৌবা শক্তি পীনবগীদমক্তনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১০

অসিদা বি.জে.পিনা সমস্য কয়া লোইশিল্লকপা ঙমলি।

রাজস্থানগী অনুপঘরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়ারদুনা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়- লৈবাক অসিনা অচৌবা সমস্য অনি মায়োকরি। মদুদি- থবক ফংদবা অমসুং ইনফ্লেসননি। অদুমওইনমক সরকার অসিনা অতোপ্পা হিরমশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংলি। শ্রী রাহুল গান্ধিনা হায়- কংগ্রেসনা সরকার পায়রবদি মীওই লাখ ৩০ রোমদা সরকারগী থবক পীগনি। আগি বির স্কিমগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়- কংগ্রেসনা সরকার পায়রবদি স্কিম অসি মুখ্থৎকনি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহ অমসুং রাজনাথ সিংহনা মধ্য প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মিতিনদা শরুক য়াখি।

বহুজন সমাজ পার্তিগী মকোক ময়াৱাতিনা হায়- কেন্দ্রগী সরকারগী সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং ত্রাইবেল কর্ম্মচারিশিংগী প্রমোসনগী মতাংদা হৌজিক কেন্দ্রদা পাল্লিবা সরকার অসিনা থৌওইবীদ্রে। অৱাং থংবা নাগপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা কুমারি ময়াৱাতিনা হায়- শোখরবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা মহাক্কী দলনা হোৎনরি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি। হান্না বেত্তিং তৌখিবা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৯৭ লৌখি। মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা ওভর ১৫ বোল ৩ দা ৱিকেট ৩ তুরগা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি লখনৌগী অতল বিহারি ভাজপায় ষ্টেদিয়ামদা লখনৌ সুপর জাইন্টস অমসুং দিল্লি কেপিটেলস শান্নগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা হৌগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইদুল ফিতরনা মরম ওইদুনা ঙরাং ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ছুতি ওইখিবদগী তমেংলোং অমসুং সেনাপতিদা ফোংবা পাউচেদগী মরুওইবা পাউ খরা লৌখৎচরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- নাগালেন্দগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৱাই. পেত্তোন এন.পি.এফ-বি.জে.পি. এল্লায়েন্সকী মীরেপকীদমক ভোৎ খোম্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কংগ্রেসনা মণিপুরদা এন.আর.সিগী চৎনহল্লু হায়না দাবী তৌখিবগী পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ডাঃ এলিসন অবোনমৈগী মীখলগী কেম্পেনদা অপন পীরক্লিবা হায়বা পাউ অমসুং পাউচে অসিদা ফোংবা থেংনরি।

তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে গানফিউ মেলদা- এন.পি.এফ-এন.দি.এগী আউটর মণিপুরগী কেন্দিদেন্ট তিমোথি জিমিকনা মণিপুর শান্তি হঞ্জিল্লকবা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ মণিপুরদা ভোৎ খোম্বা লাক্কদৌরি হায়না পাউচে অসিগী মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংলি।

------